# অঙাংগী বাইবল

## খুদোল তাম্জারী

# ঈশ্বরনা খুদিংমকপু শেম্বীরাম্মী





অইবা : Edward Hughes
লাই ুয়কিপবা : Byron Unger; Lazarus
হন্দোকপিবা : Prem Chand Singh
চুনাহান্বিবা : Bob Davies; Tammy S.



ৱারি ৬০ গী ১

**www.M1914.org**

***Bible for Children,*** *PO Box 3, Winnipeg, MB R3C 2G1 Canada*



লাইসেন্স: পোৎচাকশিংসি অদোম্না কোপি তৌবা নত্রগা নমথোক্পা য়াই অদুবু ুয়াল্লাগা শেন্দান লাম্বিগী ওইনা সিজিন্নাবাদী য়ারোই ।


Meitei Manipuri

ঐখোইবু কনানা শেম্বীরাম্মী ? বাইবল,ঈশ্বরগী ৱাহৈনা তাক্পি মতৌ করাম্না মীওইবা জাতি হৌরকখি। থায়না মামাংঙৈদা,ঈশ্বরনা মী অমা ইহান হান্না শেম্লাম্মি অমসুং মহাক্কী মমিং অদম কৌরাম্মি ।



ঈশ্বরনা অদম্বু মালেমগী উফুল্দগী শেম্লাম্মি। ঈশ্বরনা অদমদা অহিংবা শ্বর হোঙ্গিন্বিদুনা হিংহল্লাম্মি । অদুগা অদম্বু ফাজরাবা এদেন কৌবা লৈকোলদুদা থনাম্মি ।



ইশ্বরনা অদম্বু শেম্দ্রী ঙৈদা, মহাক্না অঙকপনা থাল্লাবা ফাজারাবা মালেম শেম্বিরম্ম । তপ্লা তপ্লা ইশ্বরনা পিক্লা পিক্লাবা চিংশিং অদুগা নাপিখ্ক্তা হৌবা লমহাংশিং শেল্লম্মি, মানম নুংশিবা লৈশিং অমসুং অৱাক্বা উশিং, ফাজরাবা উচেকশিং অমসুং ব্দকে ব্দকে ব্দক্বা খোইশিং, লৈওনবা সমুদ্রাগী ঙজাওশিং ( তিমি ) অমসুং থারোইশিং ।




3

খ্বাইদাগী ইহান হান্বাদা, ইশ্বরনা করিমাতা শেম্দ্রিঙৈদা, ইশ্বর নত্তানা করিসু লৈরম্দে । মী নৎত্রাগা জাগা নৎত্রাগা পোৎশিং । করিমাতা লৈরম্দে । অঙানবসু অমসুং অমম্বাসু । অৱাক্বা অমসুং অনেম্বা লৈরম্দে । ঙরাং অমসুং ঙসি লৈরম্দে । অহৌবা নাইদাবা ঈশ্বরথক্তা লৈরাম্মি । অদুদাগী ঈশ্বরনা শেম্বা হৌরম্মি । ইহান হান্বাদা,ঈশ্বরনা পৃথিবী অমসুং স্বর্গ শেল্লাম্মি ।



4

অমসুং পৃথিবীগী মওং করিসু লৈরম্দে অমসুং ইহাঙ হাংলম্মি । অমসুং অমম্বা অদুনা অরূবা অদুবু খুম্জিল্দুনা লৈরম্মি। অদুদগী ইশ্বরনা হায়রম্মি “মঙাল লৈসানু” ।



5

অদুগা মঙাল ওইরম্মি । ইশ্বরনা মঙাল অদুবু নুংথিন কৌরম্মি অমসুং অমম্বা অদুনা অহিং কৌরম্মি । অসুম্না অয়ুক অমসুং নুমিদাংনা অহান্বা ওইরম্মি ।



6

অনিসুবা নুমিত্তা, ইশ্বরনা সমুন্দ্রাগী ঈশিং শেমলম্মি, শ্বর্গাগী মখাদা সমুদ্র অমসুং পাৎশিং শেমলম্মি। অহুমশুবা নুমিত্তা, ইশ্বরনা হায়রাম্মী, ‘অকংবা লম্ ওইসনু"। অদুগা মাদু ওইরম্মি ।



7

ইশ্বরনা নাপিশিং উপাল হৈপালশিংসু ওইরক্লবা য়াথং তৌরম্মি । অদুগা মাদু ওইরম্মি । অমসুং অয়ুক অমসুং নুমিদাংদুনা অহুম্সুবা নুমিৎ ওইরম্মি ।



8

অদুগী মতুংদা ইশ্বরনা নুমিৎ অমসুং থা শেল্লাম্মি,অমসুং কনানাসু মশিং থিবা ঙন্দবা থাৱানমিচাক কয়া কয়া । অমসুং অয়ুক অমসুং নুমিদাংদুনা মরিসুবা নুমিৎ ওইরম্মি ।





9

মাথঙদানা ইশ্বর্গী লিস্টতা সমুদ্রাগী জিবাশিং অমসুং ঙা অমসুং উচেকিশং ওইরম্মি । মঙাশুবাতানা অচৌবা সবর্দ ঙা অমসুং অপিকপা স্যারডিন (সমুদ্রাগী ঙা জাৎ অমা), মখোংসাংবা অস্ট্রিচ উচেকশিং অমসুং অতৈ উচেক মচা মচাশিং শেল্লাম্মি ।



10

ইশ্বরনা পৃথিবিগী ঈশিং থম্লানাবা তোঙান তোঙানবা ঙাশিং অদুগা পৃথিবী অমসুং অহাংবা আতিয়াবু হেন্না নুংঙাইনাবা তোঙান তোঙানবা উচেক শেলাম্মি। অমসুং অয়ুক অমসুং নুমিদাংদুনা মঙাশুবা নুমিৎ ওইরম্মি ।



11

অদুগী মতুংদা, ইশ্বরনা অমুক হাইরম্মী। মহাক্না হাই, “পৃথিবীদা জীব পানবা ওইরক্সানু ...” অদুদগী তোঙান তোঙানবা জিবাশিং অমসুং তিন-কাং অমসুং মপুকনা সিত্তুনা চৎপা জীবশিং লৈবা হৌরকখি । মপাংগল য়াম্না কল্লাবা শমুশিং অমসুং থবক কন্না শুবা বিবরশিং লৈবা হৌরকখি । সাথিবা য়াংশিং অমসুং শাওং শাজৎ থিবা কুম্ভীরশিং । লৈবাক্তা লৈবা তিনশিং অমসুং খৈরোয়শিং । ফাজরাবা জিরাফশিং অমসুং ইং-তপ্পা নুংশিরাবা হৌদাংশিং । তোঙান তোঙানবা মখলগী জিবাশিং ইশ্বরনা শেমলম্মিই অদুগী নুমিত্তা । অমসুং অয়ুক অমসুং নুমিদাংদুনা তরুক শুবা নুমিৎ ওইরম্মি ।



12

ইশ্বরনা তরুক শুবা নুমিত্তা য়াম্না মরু ওইবা থবক অমা তৌরম্মি। মতম অদুদা মীওইবগীদমক খুদিংমক থৌরাং তৌবা লোইরম্মী। চনানাবা চিন্জাক_াংলন্দে অমসুং মখোইবু মতেং পাংবিনাবা জীবশিং লৈরম্মি।



13

অমসুং ইশ্বরনা হাইরম্মি, “ঐখোই তাইবংমী শেল্লাসী ঐখোইগী মীতম লৌরগা । অদুগা খুদিংমককিমাথক্তা মহাক্না পান্বা ওইসনু” । মরম অসিনা ঈশ্বরনা মী শেল্লাম্মি মহাক মশামক্কী মিতম লৌদুনা; ঈশ্বরগী মিতমদা মহাক্না মী শেল্লাম্মি ।



14

ইশ্বরনা আদাম্দা_া ঙাংলাম্মি । “নংনা লৈকোন অসিদাগী নংনা অপাম্বা খুদিং চাবা য়াই । অদুবু অফাবা অমসুং ফাতাবা লৌশিংগী উঁহে অসিদি চগানু । করিগুম্বা নংনা মদুদাগী চারাবদী নহাক শোইদানা শিগনি”।



15

অমসুং ইশ্বরনা হাইরাম্মি, “মী অমথক্তা লৈবসে ফত্তে । অদুনা ঐ মহাক্কী তেংবাংনবা অমা শেম্গে” । ঈশ্বরনা অদম্দা লমলক্কি উচেকশিং অমসুং সাশিং পুরকলম্মি । অদুগা আদম্না মাথোই পুন্নামকপু মিং থোন্বিরম্মি । মহাক্না মদু খুদিংমক য়াম্না শিংনা তৌরম্মি । অদুবু লামলক্কি শাশিং অমসুং উচেকশিংগী মরক্তা অদমগীদমক চনাবা মপাং লৈরমদে ।



16

ঈশ্বরনা অদম্বু ফাজানা তুমহাল্লম্মি । অদুগা ইশ্বরনা অদম্দাগী সরু অমা লৌথোক্লগা নুপী অমা শেম্বিরম্মি । ঈশ্বরনা শেম্বিবা নুপী অদুনা অদমগীদমক ꠸খ্বাইদগী চানাবা মপাং ওইরম্মি ।



17

ইশ্বরনা খুদিংমক নুমিৎ তরুক্লিদা সেম্লম্মী । অদুগা ইশ্বরনা তরেৎনিসুবা অদুবু বর অমসুং পোথাবা নুমিৎ ওইহল্লম্মি । অদম অমসুং মহাক্কী নুপী ঈভ এদেনগী লৈকোন্দা ঈশ্বরগী য়াথং ইন্দুনা নুংঙাইনা লৈরম্মি । ঈশ্বরনা মথোইগী সেম্বিবা মপু, মথোইগী দরকার লৈবা খুদিং পিবিবা অমসুং মথোইগী মরূপ ওইরম্মি ।



18

ঈশ্বরনা খুদিংমকপু শেম্বীরাম্মী

বাইবল অসি ঈশ্বরগী ৰাহৈদগী ৰারি অমনি

মসি ঐথোইনা ফংই

মৈহৌরোন ১-২

“ঈশ্বর মহাক্কী ৰাহৈ অদুনা ঐথোইদা ঙাল্হাল্লি ।”
লাইশোল ঈ শৈ ১১৯:১৩০

ঐথোইনা পাপ কৌবা ফত্তবা থবক
অদু তৌখ্রে হাইবা ঈশ্বরনা খঙই । পাপকি অতৌমন্দি শীবনি ।

ঈশ্বরনা নহাকপু অসুক্কী মতিক নুংশিবী মরম অদুনা মহাক্কী অমতা ঙাইজবা মচা নুপা যীশুবু নহাক্কী পাপ্কী মমল কোকপিনবা ক্রোস্তা শীবিনাবা থাবিরে। অদুম ওইরসু যীশুনা অমুক শীবাদগী হিংগত্তুনা শ্বরগদা চংথি! মরম অসিনা ঈশ্বরনা ঐথোইগী পাপশিং ঙাকপিবা ঙমই ।

নংনা পাপ্কি লম্বিদগী হাল্লাকপা পাম্লাবাদি, অসুম্না ঈশ্বরদা হাইজৌ: নুংশীরবা যীশু, ঐনা থজাজৈ মদুদি যীশুনা ঐগীদমক শীবি অমসুং শীবাদগী হিংগৎলি । নহাক্কি নচা অমা ওইনা হিংবা ঙম্নবা ঐবু মতেং পাংবিয়ু । অমেন । যোহান ৩:১৬

নুমিৎ খুদিংগী বাইবল পাও অমসুং ঈশ্বরদা প্রথনা তৌ !